# সিরিয়াদা ক্লোরিন গ্যাস বেরেলশিং থাদখ্রে, মীচম কয়া লাইকন্নখ্রে



বৈরুট ওগষ্ট ০৩ ঃ

ক্লোরিন গ্যাসনি হায়না চিংনবা বেরেল কয়া সিরিয়াগী অৱাংথংবা শরুক্তা লৈবা টাউন অমদা হেলিকোপটরদগী থাদখ্রে হায়না রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

গ্যাস বেরেলশিং অদু পুং খরগী মমাঙদা রসিয়ন মিলিটরি হেলিকোপটর অমা কাপথখিবা মফমগা নক্পনা লৈবা টাউন অমদা অহিংদা থাদখিবনি হায়না রেস্ক্যুঅরশিংনা হায়খি।

সিরিয়া সিভিল দিফেন্সকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, অয়াম্বনা নুপী অমসুং অঙাংশিং ওইদুনা মীওই ৩৩ ক্লোরিননা শোকহনখ্রে।

এটেক অদু রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ইদলিব প্রোভিন্সকী সারাকোবতা চথুখিবনি হায়রি।

এটেক অদু প্রসিদেন্ট বাশর অল অশাদনা চথহনখিবনি হায়না ওপোজিসন সিরিয়ন নেসনেল কোলিসন্না মরাল শিখ্রে। অমরোমদা, প্রসিদেন্ট অশাদনা মমাঙদা কেমিকেল খুৎলাইশিং শিজিন্নবগা মরী লৈননা মঙোন্দা শীরকখিবা মরালশিং য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা কয়া লৈখ্রবনি।

নাকল অমত্তগী মীচং চঙদবা ন্যুট্রেল ওইনা লৈবা ছার্চ অমসুং রেস্ক্যু ভোলন্টিয়রশিংনি হায়না ফোঙদোকচবা সিরিয়া সিভিল দিফেন্সনা য়ু ট্যুবতা ভিদিও অমা থাগৎলকখি হায়রি।

ভিদিও অদুদা মীওই কয়া স্বর হোন্নবা হোৎনবদা ৱাবদগী সিভিল দিফেন্সকী য়ুনিফোর্মশিং শেৎপা মীওইশিংনা ওক্সিজেন মাস্কশিং পীবগী শক্তমশিং উখি।

‘হুগী গ্যাসশিং য়াওবা ময়াই ওইরপ চাওবা বেরেলশিং থাদরকখি’ হায়না গ্রুপ অদুগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি।

’সিরিয়ন সিভিল দিফেন্সনা গ্যাসকী মখলদু লেপ্পা ঙমখিদে’ হায়না স্পোক্সমেন অদুনা মখা তাখি।

সিরিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং মখোয়গী মীচং রসিয়নশিংদগী খুদক্তা কমেন্ট লৌবা ঙমখিদে। এম এন সিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, ‘সেল কয়া কাপশিন্দুনা, মফম কয়া লাঙ্গৌই চন্দুনা থল্লবা অমসুং মীওই কয়া হাৎলবা অমসুং ক্রাইম কয়া চথরবা মতুংদা অশাদকী রেজিমনা অমুক হন্না য়ু এনগী রিজোল্যুসনশিং খোঙ্গাওনদুনা কেমিকেল পোৎশকশিং অমসুং টোক্সিক গ্যাসশিং শিজিন্নরি।

‘কেমিকেল খুৎলাইগীবু ওইরো নৎত্রগা অতৈগীবু ওইরো ইন্টরনেসনেল এগ্রীমেন্টশিং অমসুং মমাঙগী সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনশিং পুম্নমক অশাদকী রেজিমদা ৱাহন্থোক লৈতে হায়বসি নুংতিগী থাঙ্গৈশেংবা থৌদোকশিংনা কনফার্ম তৌই।’

সরাকেবতা হুগী গ্যাস শিজিন্নরকপসি মসিনা অনীরকশুবনি হায়না সিভিল দিফেন্সকী স্পোক্সমেননা হায়খি।

সিরিয়াদা কন্ফ্লিক্ট হৌখিঙৈদগী ইদলিব প্রোভিন্সতা ক্লোরিন গ্যাস শিজিন্নখি হায়না চিংনবা য়াবা থৌদোক মাপন থোকখ্রে হায়বসি গ্রুপ অসিনা খঙই হায়না সিভিল দিফেন্সকী স্পোক্সমেন্না মখা তাখি।

বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মোনিটরশিংনা হায়খি, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা সরাকেবতা বেরেল বোমশিং থাদখি অমসুং সিটিজন কয়া শোকখি।

রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিলগী মতমদা রসিয়ন হেলিকোপটর অমা সারাকেবকী মনাক্তা কাপথখি। হেলিকোপটর কায়বদুদা তোংলকখিবা মীওই মঙামক শিখি। মদু রসিয়ন ফোর্সশিংনা সিরিয়াদা ওপরেসন হৌখিঙৈদগী মীশি মীনা খ্বাইদগী চাওনা নংবা থৌদোক ওইখি।

# এমিরেটস এয়রলাইনগী ফ্লাইট দুবাই এয়রপোর্টতা ইমর্জেন্সিদা তাশিল্লগা কায়খ্রে

দুবাই, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী) ঃ

কেরেলাদগী পাইরকখিবা এমিরেটসকী ফ্লাইট অমা ঙসি দুবাই ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা ক্রাস লেন্দিং তৌখ্রে, তৌইগুম্বসু প্লেন অদুদা তোংবা মীওই ৩০০ মক অশোয়-অঙাং য়াওদনা মফম চানা পুথোকহৌরে হায়না দুবাই গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে। এমিরেটসনসু পাউ অদু কনফার্ম তৌখ্রে। প্লেন অদুদা তোংলিবা মীওই ২২৬ দি ইন্দিয়নশিংনি হায়রি।



‘এমিরেটসকী বোইং ৭৭৭ অদু ইন্দিয়াগী তিরুভানান্টাপুরমদগী পাইরকখিবা মতুংদা ঙসি লোকেল মতমদা নুমিৎ য়ুংবা মতুং মিনিট ৪৫ রোম তাবদা ইমর্জেন্সিগী ফীভমদা তাশিনখি অমসুং কায়খি হায়না এয়রলাইন অদুনা হায়খি।

দুবাই গভর্ণমেন্টনা হায়খি মদুদি, ফ্লাইট ঈ কে ৫২১ দা তোংখিবা পেসেঞ্জর ২৮২ অমসুং ক্রু ১৮ মক অশোয়-অঙাম য়াওদনা মফম চানা হোন্দোকখ্রে, অশোক-অপন য়াওবগী পাউ লৈতে। ওথোরিটিশিংনা ক্রাস অদুগী মরমগা মরী লৈননা অকুপ্পা মরোল ফোঙদোকখিদে। ফ্লাইট রাদর ২৪ ৱেবসাইটকী মতুং ইন্না, প্লেন অদু চহী ১৩ রোম সার্ভিস তৌরকখি।

কেরিয়র অদুগী ত্বীতরগী একাউন্টদা হায়খি, ‘টিরুভানন্টাপুরমদগী দুবাইদা পাইরকখিবা ঈ কে ৫২১ দুবাই ইন্টরনেসনেলদা এক্সিদেন্ট থোক্লে হায়বসি ঐখোয়না কনফার্ম তৌবা ঙমই।’

বোইং ৭৭৭ এয়রক্রাফট অদু ত্রিভান্দ্রম ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতগী অয়ুক পুং ১০.১৯ দগী পাইখি অমসুং মদু দুবাই ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা নুমিৎয়ুংবা মতুং মিনিট ৫০ দা থুংনবা সেদ্যুল্ড তৌখি’ হায়না এমিরেটসনা মসিগী ৱেবসাইটতা হায়খি।

দুবাই গভর্ণমেন্টকী মিদিয়া ওফিসনা মসিগী ত্বীটর একাউন্টদা হায়খি মদুদি, দুবাই ইন্টরনেসনেলদগী পাইখিগদবা য়াওনা ওপরেসন খুদিংমক মখা তাবা নোটিশ থোক্লিফাওবা লেপ্লে।’

এমিরেটস অসি মিদ্দল ইষ্টকী খ্বাইদগী চাওবা এয়রলাইননি।

এজেন্সি খরনা প্লেন অদু রনৱেদা হাথু হাথু তাশিনখিবা মতমদা পোকখাইবা অমা থোকখি হায়না ফোঙদোকখি। তাশিনবদা কায়খি হায়না ক্লেইম তৌরিবা প্লেন অদুগী সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকখিবা ফুটেজদা প্লেন অমদগী অমুবা মৈখু থানা কাখৎলকপগী শক্তম উৎখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা জপানগী ঈশিংগী শরুক্তা বেলিষ্টিক মিসাইল কাপশিনখ্রে

সিওল,টৌকিয়ো,ৱাশিংটন,ওগষ্ট ০২ঃ

চহী ২০ লোমগী মনুংদা ইহান হানবা ওইনা নোর্থ কোরিয়ানা ঙসি জপাননা কন্ট্রোল তৌবা ঈশিংগী শরুক্তা বালেষ্টিক মিসাইল অমা হকথেংননা কাপশিনখ্রে। খোঙথাং অদুদা টৌকিয়োগী মায়কৈদগী খুদক্তা অশাউবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়াগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মরক্তা লৈনবা টেন্সনসু হেনগৎহনখ্রে।



সাউথ কোরিয়ানা হায়খি মদুদি, মিসাইল কাপ্পা অদুনা পিয়োংয়াংদা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংবু এটেক তৌনিংবগী ৱাখল চেল্লি হায়বদি উৎলে।

য়ু এস মিলিটরিনা হায়খি, নোর্থ কোরিয়ানা মতম অমত্তদা ময়ায় ওইরপ শানবা রোদোং মিসাইল অনী কাপখি, তৌইগুম্বসু মিসাইল অমদি পাইখৎপদা কায়খিবা মাল্লি। মিসাইল লোঞ্চশিং অদু সাউথ কোরিয়াদা অফবা মখলগী এন্টি মিসাইল সিষ্টেম অমা দিপ্লোই তৌনবা থৌরাং অমা পায়খৎলক্লিবদুগীদমক্তা ফিজিকেল এক্সন লৌখৎলগনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা কিহনখিবা মতুং অমসুং সাউথ কোরিয়া য়ু এস মিলিটরি জোইন্ট এক্সরসাইজ অমা পাক শন্না পাঙথোক্কদবা চয়োল খরখক্কী মমাঙদা পাঙথোরকখিবনি।

জপান্না হায়খি, মিসাইল অমা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা কোষ্টতগী কিলোমিটর ২৫০ (মাইল ১৫৫) রোমদমক থাপতোক্লা অমসুং লৈবাক অসিগী এক্সক্লুসিভ ইকনোমিক জোন (ঈ ঈ জেদ) কী মনুং চন্না সি ওফ জপানদা তাশিল্লকখি।

‘মসি ঐখোয়গী লৈবাক্কী সিক্যুরিটিদা অচৌবা থ্রেট অমনি’ হায়না জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর শিঞ্জো অবেনা পাউমীশিংদা হায়খি। ‘মসি য়াম্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা খাংদুনা লৈবা ঙম্লোইদৌবা থৌনা হেঞ্জিন্না উৎশিল্লকপগী থৌওং অমনি।’

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়াগী খোঙথাং অদু লৈবাক অদুবু বেলিষ্টিক মিসাইল টেক্নোলোজি শিজিন্নবদা নাখে শেংনা অথিংবা থল্লিবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনশিংবু ময়েক শেংনা খোঙ্গাওনৈ হায়রদুনা কন্দেম তৌখি।

# অলেপ্পোদা রেবেলশিংনা খুদুম চল্লম্বা মফমশিং রেজিম ফোর্সশিংনা তকথোকখ্রে

দামাসকস, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী) ঃ

রসিয়ন এয়রষ্ট্রাইকশিংনা ইনোৎ হাপ্লবা সিরিয়ন রেজিমগী ফোর্সশিংনা লালবুং ওইরবা সিটি অলেপ্পোগী খা নোংচুপা থংবা শরুক্কী লম কয়া ঙরাং অহিং পায়শিনখিবগা লোয়ননা রেবেলশিংগী ওফেন্সিভতা ফংখিবা কান্নবশিং অরেম্বা তাহনখ্রে হায়রি।



ওপোজিসনগা পায়শিন্দুনা থল্লকখিবা সিটি অদুগী দিষ্ট্রিক্টশিং গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা চয়োল অনীরোম পায়শিন্দুনা থল্লকখিবদু কোমথোকহন্নবা রেবেলশিং অমসুং মখোয়গী জিহাদি মীচংশিংনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা অচৌবা এটেক অমা চথুখি।

তৌইগুম্বসু রেজিমগী ফাইটরশিংনা রসিয়ন এয়র কেম্পেইনগী মতেংগা লোয়ননা রেবেলশিংগা কন্না লাল শোক্লখি অমসুং লাঙ্গৌই চল্লবা রেবেল ফোর্সশিংদগী মফম কয়া নৌনা লৌশিনখি হায়না মোনিটর অমনা য়ুমশকৈশদা ফোঙদোকখি।

সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি, লৈবাকপোকপগী অথেংবদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অলেপ্পোগী খা নোংচুপ থংবা শরুকশিংদা লৈবা চীংদুম মচা অনী অমসুং অপীকপা খুঙ্গং অনী লৌশিনখি।

‘রেবেলশিংগী শাথিরবা ওফেন্সিভ অদুগী ময়াই চমহল্লবা রেজিমনা অকনবা কাউন্টর এটেকশিং চথুরি’ হায়না ওবজার্বেটরিগী মকোক রামি অব্দুল রহমন্না হায়খি।

‘ওপোজিসনগী এটেক অদুগী অপান্থা মহৈশিং ষ্টেজ অসিদা ফংবগী মওং উদে’ হায়না মহাক্না হায়খি।

ইষ্ট অলেপ্পোদা এ এফ পিগী জর্নেলিষ্ট অমনা হায়খি, অহিং চুপ্পা খুৎ থোক্লবা অমসুং সেলশিং কাপ্পগী মখোল তাখি। মদুগী মতুং অয়ুক অঙনবদা বেরেল বোম এটেকশিং অমসুং এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথুখি।

অল কাইদাগী হান্নগী সিরিয়া এফিলিয়েট অমসুং পৱারফুল ওইরবা ইস্লামিষ্ট অহরর অল-সাম য়াওনা এটেক অদুবু চথুরিবা গ্রুপশিংনা অলেপ্পোগী নোংপোক থংবা শরুকশিংবু গভর্ণমেন্টনা কোইশিল্লিবদু লোইশিল্লগনি হায়না থাজবা পীখ্রে।

মখোয়না অলেপ্পোগী খা নোংচুপ থংবা রামুসা দিষ্ট্রিক্টপু কেপচর তৌনবা হোৎনরকখিবনি। মদু গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী লম্বী থদৎনবা অমসুং রেবেলশিংগী সিটি অদুদা অনৌবা লম্বী অমা হাংনবগীদমক্তনি। তৌইগুম্বসুং অকনবা রসিয়ন এয়র ষ্ট্রাইকশিংনা মরম ওইদুনা মখোয়না নৌনা পায়খিবা লমশিং অদু গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মখুৎতা চৎহনখিদনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি হায়না অব্দুল রহমন্না হায়খি।

মখোয়না য়ামদ্রবদা চীংথক অহুম অমসুং অপীকপা খুঙ্গং অমা পায়শিন্নবা হোৎনখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মতম শাংনা মরুপ ওইদুনা লাকখিবা মোস্কোনা প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদকী ফোর্সশিংবু শৌগৎলদুনা হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা এয়র কেম্পেইন অমা হৌখি।

গভর্ণমেন্টগা নকশিন্নবা অল-ৱটৈন পাউচেনা য়ুমশকৈশদা হায়খি মদুদি, রসিয়ন এয়র ষ্ট্রাইকশিংনা বেকিং পীবা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অলেপ্পোগী খা অমসুং খা নোংচুপ থংবদা চঙশিনখি। রেবেল ফেক্সনশিংদা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখি।

প্রো-রেজিমগী ৱেবসাইট অল-মাসদর ন্যুজনা হায়খি, অহানবগী ওইনা রামুসা দিষ্ট্রিক্টতা রেবেলশিংনা চঙশিনখিবদু মতম শাংনা লাল কন্না শোক্লদুনা তকথোকখ্রে।

# ইস্লামাবাদনা অঙ্কারাদা গুলেননা পাকিষ্টানদা রন তৌরিবা স্কুলশিং পায়শিনবা য়াগনি হায়খ্রে

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী) ঃ

হন্দক্তা চথুখিবা টর্কিগী মায় পাকখিদ্রবা কূ অদুবু খুজিল থৌরাং তৌখিবা মীশক্নি হায়না লৈবাক অদুনা মরাল শিরিবা য়ু এসতা বেজ তৌবা ক্লারিক ফাটেয়ুলা গুলেননা রন তৌবনি হায়বা পাকিষ্টানদা লৈরিবা স্কুল চেন অমা পায়শিন্ননবা ইস্লামাবাদনা অঙ্কারাদা ওফর তৌখ্রে। পাকিষ্টান্দা অদুগুম্বা ইন্সটিট্যুসন কয়া লৈরিবদুনা অঙ্কারাবু নুংনাংবা পোকহল্লিবদু কোকহন্নবগীদমক্তা ইস্লামাবাদনা ওফর অদু তৌখিবনি।



ঙরাং ইস্লামাবাদতা লৈবা পাকিষ্টানগী ফোরেন ওফিসতা টর্কিশ ফোরেন মিনিষ্টর মেভলুট কাভুসোগলু অমসুং পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফকী ফোরেন এফ্যেরসকী এদভাইজর সরতাজ অজিজগা ৱারী শান্নখিবা মতমদা ওফর অদু লাপ্থোকখিবনি।

টর্কিশ ফোরেন মিনিষ্টরনা শরিফ অমসুং প্রসিদেন্ট মামনুন হুশেইনগসু উন্নখি।

মসি জুলাই ১৫ গী মায় পাকখিদ্রবা কূ এটেম্প অদুগী মতুংদা কাভুসোগলুনা পাকিষ্টান্দা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি। টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়্যীপ ইর্দোগননা গুলেনবু কূ অদু চথুখিবগী মরাল শিখি। মদুগী মতুংদগী টর্কিনা পাকিষ্টান য়াওনা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা গুলেননা রন তৌবা স্কুলশিং অমসুং অতৈ ইন্সটিট্যুসনশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎহন্নবা হোৎনরকখিবনি।

অজিজগা পাঙথোকখিবা জোইন্ট ন্যুজ কনফরেন্স অমদা কাভুসোগলুনা পাকিষ্টান অমসুং অতৈ লৈবাকশিংদা গুলেনগী নেটৱার্ক অমা রন তৌদুনা লৈবদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

‘পাকিষ্টান অমসুং অতৈ লৈবাক কয়াদা মসিগী ওর্গনাইজেসন অসিগী ইন্সটিট্যুসন কয়া লৈরে হায়বসি অরোনবা অমা নত্তে। অসিগুম্বা ওর্গনাইজেসনশিংগীদমক্তা ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনবা তাই। মখোয়না লৈরিবা মফম খুদিংমক্কী সিক্যুরিটি অমসুং তং তাবগী ফীভমদা খুদোংথীবা অমসুং অকিবা মায়োক্ল হল্লি হায়না এক্সপ্রেস ত্রিব্যুননা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, কূ অদুগী খুজিল থৌরাং পুথোকখিবশিং হায়বদি গুলেন্না মকোক চিংবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন ফেটোগী মায়োক্তা মহাক্কী লৈবাক্না তঙাই ফদবা লিগেলগী খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎলি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মায় পাকখিদ্রবা কূগী খুজিল থৌরাং অদুগী মতাংদা টর্কিবু শৌগৎপা ফোঙদোকখিবগীদমক্তা কাভুসোগলুনা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্ট, পার্লিয়ামেন্ট অমসুং মীয়ামবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অজিজনা টর্কিশ গভর্ণমেন্টনা নুংনাংলিবা ৱাফমশিংদু য়েংশিনগনি হায়না থাজবা পীখি। অদুম ওইনমক পুৱারীগী ওইনা য়েংবদা টর্কিগা অনকপা মরী লৈনরিবা ইস্লামাবাদকী মথক্তা হৌজিক গুলেননা রন তৌবা পাকিষ্টানদা লৈরিবা স্কুলশিংগী নেটৱার্ককী মায়োক্তা খোঙথাং কয়া শৌগৎতবা য়াদবগী প্রেসর লৈরি।

নাকল অমরোমদা, ইস্লামাবাদনা অঙ্কারাগী দিমান্দবু লৈথোকপা ঙম্লোই, নাকল অমদনা মীয়ামগী অশাউবা মায়োক্লবগী ফীভম লৈ, মরু ওইনা অসিগুম্বা স্কুলশিংদা তম্লিবা অঙাংশিংগী মমা মপাশিংগী অশাউবা মায়োক্লরকপা য়াই হায়রি।

# হান্নগী গরিলা লীদরনা নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি

কঠমন্দু, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী) ঃ

নেপালগী পার্লিয়ামেন্টনা হান্নগী কম্যুনিষ্ট রেবেল লিদর পুশপা কমল দাহলবু লৈবাক অসিগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খনখ্রে। ঙসি দাহলনা অয়াম্বা এম পিশিংনা পীবা ভোটশিং ফংখ্রে হায়না পার্লিয়ামেন্টগী স্পিকর ওন্সারি ঘাটি মগরনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর কে পি ওলি পার্লিয়ামেন্টদা পুখৎকদবা থাজদবগী ভোটকী মাঙওইননা হৌখিবা চয়োলদা রিজাইন তৌখি। মহাকপু সপোর্ট তৌখিবা এম পি খরনা শৌগৎপা তোকখিবদগী ওলিনা পাঙ্গল চাংয়েংদা মায়থীরগনি খঙবদগী মাঙজৌননা মফম থাদোকখিবনি।

পার্লিয়ামেন্টদা খ্বাইদগী চাউবা পার্টি ওইরিবা নেপালি কোংগ্রেস অমসুং অতৈ পার্টি মচা কয়ানা দাহলবু শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

হান্না গরিলা লিদর ওইরিঙৈগী মিং ‘প্রচান্দা’ হায়রগা হেন্ন মীয়াম্না খঙনবা মশাগী চহী ৬১ শুরবা পুসপা কমল দাহলবু হিমালায়ন লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খনবসি হন্দক্কীসিনা অনীরকশুবনি। দাহলগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টরগী টার্ম অদু আর্মিগী চীফ অমা মফম লৌথোকপগী মতাংদা প্রসিদেন্টগা মত খেন্নবদগী রিজাইন তৌখিবনি। মহাক্না কুমজা ২০০৬ ফাওবা চহী ১০ চুপ্পা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা কম্যুনিষ্ট লালহৌ অমা লুচিংখি।




HL-B/3200/18/07-17/08

# EMPLOYMENT NEWS

GOVERNMENT OF MANIPUR
EMPLOYMENT EXCHANGE, IMPHAL WEST,
EMPLOYMENT EXCHANGE COMPLEX, LAMPHELPAT.

**NOTICE**

Imphal. the 2nd August, 2016

No. EE/2/57/82: It is hereby notified to all Job-seekers that the following posts are lying vacant in the Directorate of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. Willing eligible candidates who have registered with this Employment Exchange may contact Vacancy Assistant on or before 6th August. 2016 in this office at Room No 15 (A) during office hour for sponsoring their names. The detail particulars are given below: —

| | | |
|---|---|---|
| 1. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Art Designer |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | 1. Diploma in Textile/Garment Technology from any recognized Institute. 2. 2 (two) yrs. experience in any organization Institute. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 2. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Industrial Art Expert-cum-Designer |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | Graduate of a recognized University/Institute. 2. Degree or Diploma in Textile Designing from a recognized University/Institution with 3 (three) yrs. Experience in the grade or Degree or Diploma in Arts & Craft from a recognized Institutiion or equivalent with 3 (three) yrs. Experience in the trade. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 3. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Printing Expert |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | 1. Matriculate of recognized University 2. Trained in Dyeing and Printing from a recognized Institute. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 4. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Instructor (Brass & Bell Metal) |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | Matriculate or its equivalent from a recognized University/Board. 2. Trained in foundry and Brass & Metal from a recognized Institution. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 5. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Instructor (Carpentry) |
| Number of Posts | : | 2 (two) |
| Qualification | : | Matriculate/HSLC Exam from a recognized University/ Board. 2. Diploma course in Blacksmith, foundry, Carpentry Weaving. 3. At least one year teaching experience from any recognized. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 6. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Supervisor (Technical) |
| Number of Posts | : | 2 (two) |
| Qualification | : | Degree or Diploma in Mech. Engg. From a recognized Univ./Institute or its equivalent. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 7. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Instructor (foundry) |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | 1. Matriculate. 2. Diploma in course in Blacsmithy, Foundry, Carpentry, Weaving etc. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 8. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Instructor (T&C) |
| Number of Posts | : | 2 (two) |
| Qualification | : | Matriculate. 2. Diploma course in Blacksmithy, foundry, Carpentry etc. 3. At least oe year teaching experience from any recognized Institution. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 9. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Instructor (Weaving) |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | 1. Matriculate. 2. Diploma Course in Blacksmithy, Foundry, Carpentry, Weaving etc. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 10. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Surveyor |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | Diploma/Certificate in Surveying from an Industrial Training Institute (2 yrs. course) or equivalent or Diploma in Mining and Mined Surveying 3 yrs. course or equivalent or Diploma in Civil Engg. from a recognized Institute. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 11. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Drill Operator-cum-Rigman |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | 1. Matriculate. 2. Trained in Diamond Core Drilling course. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 12. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Mechanic |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | 1. Matriculate, Trained in Diamond Core Drilling course sponsored by North Eastern Councillor from any recognized Institute. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 13. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries. Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Skill Artisan/Dem (Blacksmithy) |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | 1. Matriculate. 2. And passed Artesian course in the trade concerned from any recognized Institute from a recognized Institute. OR VIII passed & passed Artesian course in the trade concerned from a recognized Institute. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 14. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Skilled Artisan/Dem (Pina) |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | Matriculate and passed Artisan course in the trade concerned from a recognized Institute with 5 yrs. exp. in concerned trade. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 15. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Skilled Artisan/Dem (Wood Carving) |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | Matriculate and passed Artisan course in the trade concerned from a recognized Institute. Or passed Class-VIII and passed Artisan course in the trade concerned from a recognized Institute and having experienced from 5 (five) yrs. in the concerned trade from a recognized Institute. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 16. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Skilled Artisan/Dem (Bamboo & Cane) |
| Number of Posts | : | 3 (three) |
| Qualification | : | Matriculate and passed Artisan course in the trade concerned from a recognized Institute. Or passed Class-VIII and passed Artisan course in the trade concerned from a recognized Institute and having experienced from 5 (five) yrs. in the concerned trade from a recognized Institute. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 17. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Skilled Artisan/Dem (Carpentry) |
| Number of Posts | : | 2 (two) |
| Qualification | : | Matriculate and passed Artisan course in the trade concerned from a recognized Institute. Or passed Class-VIII and passed Artisan course in the trade concerned from a recognized Institute and having experienced from 5 (five) yrs. in the concerned trade from a recognized Institute. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 18. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Skilled Artisan/Dem (Embroidery) |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | Matriculate and passed Artisan course in the trade concerned from a recognized Institute. Or passed Class-VIII and passed Artisan course in the trade concerned from a recognized Institute and having experienced from 5 (five) yrs. in the concerned trade from a recognized Institute. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 19. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Skilled Artisan/Dem (Foundry) |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | Matriculate and passed Artisan course in the trade concerned from a recognized Institute. Or passed Class-VIII and passed Artisan course in the trade concerned from a recognized Institute and having experienced from 5 (five) yrs. in the concerned trade from a recognized Institute. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 20. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Skilled Artisan/Dem (T&C) |
| Number of Posts | : | 6 (six) |
| Qualification | : | Matriculate and passed Artisan course in the trade concerned from a recognized Institute. Or passed Class-VIII and passed Artisan course in the trade concerned from a recognized Institute and having experienced from 5 (five) yrs. in the concerned trade from a recognized Institute. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 21. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Skilled Artisan/Dem (Packing) |
| Number of Posts | : | 1 (one) |
| Qualification | : | 1. Class VII. 2. Previous experience in packing. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 22. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Peon |
| Number of Posts | : | 13 (thirteen) |
| Qualification | : | 1.HSLC or its equivalent from a recognized University/ Board. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |
| 23. Name of Department | : | Director of Commerce & Industries, Government of Manipur, Imphal. |
| Name of Post | : | Driver |
| Number of Posts | : | 8 (eight) |
| Qualification | : | 1. Middle School Certificate 2. Driving experience for 3 yrs. for heavy vehicle. |
| Time of Interview/test | : | Will be announced later on. |

Age - Min 18 yrs., Max 38 yrs. (relaxation of age as per Govt. Rules)

NG. IBOTHOI SINGH
Employment Officer, Imphal West.